# জুনিয়র ৱুমেন্স ৱর্ল্ড কপ : ক্বার্টর ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর বিচুদা মীৎয়েং থম্লক্লি

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
সাউথ অফ্রিকাগী পোটচেফস্ট্রোমদা চত্থরিবা এফ আই ঐচ জুনিয়র ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী ইরাৎ নুমিৎতা ইন্দিয়া অমদি কোরিয়া অনীনা শান্নগদবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর বিচু খারিবমনা মহাক্কী ফজবা মশান্নশিং মখা তানা উৎলকখিগনি থাজনরি।



মণিপুরদগী হৌখিবী শান্নরোয় অসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী হৌজিক ফাওবদা ফজবা পার্ফোমেন্স কয়া উৎখিবগা লোয়ননা ইন্দিয়ানা গ্রুপ ষ্টেজকী শান্নবদা মেটচ অহুম মায় পাক্তুনা গ্রুপ দিগী টোপ্পর ওইবা ঙমখি।

গ্রুপকী অহানবা মেটচতা ইন্দিয়ানা ৱেলসপু ৫-১ দা মায়থিবা পীখি অদুগা অনীশুবা মেটচতা জর্মনিবু ২-১ দা অমদি অরোইবা মেটচতা মালেসিয়াবু লাকচনা ৪-০ দা মায়থিবা পীদুনা নোকআউট ষ্টেজগী ক্বালিফাই য়ৌরকখিবনি।

বিচুনা ৱেল্সকা শান্নখিবা মেটচতা ফজনা শান্নবা ঙমখিদ্রবসু জর্মনিগা শান্নখিবা মেটচতা মহাক্না পীখিবা পর্ফোমেন্স অদু মীয়াম্না নীংশিংনরি। নোং মরক্তা শান্নখিবনা মহাক্কী কিটশিং চোৎতুনা লুমথরবসু মহাক্না জর্মনশিংগী গোল চনবা য়াবা সোট কয়া সেফ তৌখিবগা লোয়ননা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমসু সেফ তৌদুনা ইন্দিয়া টিমনা য়ুরোপিয়ন পৱারহাউসপু মায়থিবা পীখি।

ষ্টেট অসিদগী হৌখিবী মশাগী চহী ২০ শুরবী বিচুনা ২০১৮ দা পাঙথোকপা য়ুথ ওলিম্পিক্সকী সিলভর মেদল য়াওনা চত্থরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী মমাংদা হান্ননা মায় পাকপগী নুংঙাইবা ফংখ্রে। মহাক্না প্রো লিগকী মনুংচন্না অহানবা সিনিয়র টিমদা শরুক য়াখিবদা মহাক ৱার্ল্ড কপকীদমক শেম-শারিবনি হায়না থাজখি।

বিচুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ভর্চুএল প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা প্রো লিগতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারবা মতুং মহাক্কী কনফিদেন্স অসি হেনগৎলকখি অমদি মফম অসি য়ৌরকপা ফাওবদা প্রেসর অমত্তা লৈখিদে। প্রো লিগতা অহানবা ওইনা শরুক য়ারিঙৈ প্রেসর খরা লৈরবসু ৱার্ল্ড কপকী মতমদদি ৱাখল ফ্রি ওইনা শান্নবা ঙমখি হায়খি।

মহাক্না মখা তানা হরাওবা ফোঙদোকপগী মতাংদা হায়খিবদা মেটচ অদু ঐখোয়না মায় পাক্তুনা গ্রুপকী টোপতা লৈহনবা পামখি। গেমগী মনুংদা মহাক্কী হকচাং মনুংদগী তোপ-তোপ্পা অমা ফাওহল্লকপগা লোয়ননা সেফ কয়া তৌবা ঙমখি। অদুবু তৌখিবশিং অদু কোন্না য়েংবদদি অঙকপা অমা ওইখি হায়খি।

বিচুগী ফজবা পর্ফোমেন্সকী মতাংদা ইন্দিয়াগী সিনিয়র ৱুমেন্স গোলকিপ্পর সভিতানা শগোলশেন নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ভর্চ্যুএল প্রেস কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা চহী অহুম অসিদা বিচুনা সিনিয়র টিমগা লোয়ননা ট্রেনিং তৌদুনা লাকপনা মঙোন্দা জুনিয়র টিমগী শান্নবদা অরাইবা অমদি ওইখি। মহাক অফবা গোলকিপ্পর অমনি অমদি গোলকিপ্পর অমা ওইনা চাওথোকচৈহায়খি।

মহাক্না মখা তারদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা বিচু খক নত্তনা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী গোলকিপ্পর খুসবুসু ফজবা শান্নখি হায়খি।

# ‘মিরাবাই চনুবু সী দব্লিয়ু জিগী কেজি ৫৫গী এন্ট্রি রিজেক্ট তৌরকপা থোইনা পাখৎনিংঙাই ওইদে’

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
বর্মিংহমদা চহী অসিগী জুলাই ২৮দগী ওগষ্ট ৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কমনৱেল্থ গেমসকী ৱেথলিফটিং মশান্নগী কেজি ৫৫ কাঙলূপকী এন্ট্রিদগী মিরাবাই চনুবু ইন্টরনেসনল ৱেথলিফটিং ফেদরেসনন্না রিজেক্ট তৌরকপা অসিনা ইন্দিয়াগী মেদল চান্সতা করিসু অহোংবা লৈরোই হায়না হেদ কোচ বিজয় শর্ম্মানা শগোলশেন নুমিৎতা ফোঙদোকখ্রে।



গেমস অসিদা ইন্দিয়াগী মেদল হেন্না ফংনবগী পান্দমদা ইন্দিয়ন ৱেথলিফটিং ফেদরেসননা মিরাবাই চনুবু কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা শান্নহনবা পাম্মী অদুগা ঝিলি দালাবেহরা অমদি এস বিদ্যারানীনা কেজি ৪৯ অমদি ৫৯গী কাঙলূপ্তা অমদি পোপ্পি হাজারিকানা কেজি ৬৪গী কাঙলূপ্তা কম্পিট তৌহনবা পাম্মী। অদুবু কেটগোরি অমগী টোপ রেঙ্ক লিফটরবু কমনৱেল্থ গেমসতা ক্বালিফাই তৌবা হায়বা অনৌবা রুলগী মতুংইন্না এন্ট্রিশিং অদু রিজেক্ট তৌরকখিবনি।

চহী ২৭ শুরবী মিরাবাই চনুনা কেজি ৪৯গী কাঙলূপ্তা লম্বা তৌরগনি। কাঙলূপ অসিমক্তদা মিরাবাইনা মমাং চহীদা পাঙথোকখিবা টোকিও ওলিম্পিক্সতা সিলভর মেদল ফংদুনা টোপ রেঙ্কতা লৈবা ঙমখিবনি অমদি লাক্কদৌরিবা গেমস অসিগী ক্বালিফায়রদা মহাক্না কেজি ৫৫গী কাঙলূপ্তা কম্পিট তৌখিবনি।

মিরাবাইগী ট্রেনিংবু য়েংশিল্লিবা শর্ম্মানা য়ু এস এগী সেন্টলুইজতগী পি টি আইদা ফোঙদোরকখিবদা লিফটর অমনা খ্বাইদগী ফজবা পর্ফোর্মেন্স পীবা কেটগোরি অদুদা শরুক য়াগদবনি হায়দুনা মখোয়না মিরাবাইগী এন্ট্রিবু রিজেক্ট তৌরকখিবনি হায়খি।

মমাং থাদা পাঙথোকখিবা সিঙ্গাপোর ৱেথলিফটিং ইন্টরনেসনলগী মমাংদা মিরাবাইনা কেজি ৫৫গী কাঙলূপ অসিদা অমুক্তং কম্পিট তৌখ্রে। অদুবু ইন্দিয়াগী ওইনা বিদ্যারানীনা কাঙলূপ অসিগী টোপ রেঙ্কতা লৈরি।

হেদ কোচ শর্ম্মানা মখা তারদুনা ঐখোয়না মিরাবাইবু কেটগোরি অনীমক্তা ক্বালিফাই ওইনবা হোৎনখি। অদুবু রুল অসি চৎনদ্রে। সী জি এফনসু টোপ রেঙ্ক লিফটর খক্তদা মশাগী কেটগোরিদা ক্বালিফাই ওইবা হায়বা অনৌবা রুল অমনা মহাকপু রিজেক্ট তৌখিবনি হায়খি।

পনবা য়াবদি, কমনৱেল্থ লেভেল ফাওবদা ইন্দিয়ানা পাৱর হাউস ওইবতা নৎতনা ২০১৮গী এদিসনদসু ইন্দিয়নশিংনা গোল্ড ৫, সিলভর ২ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ২ পূন্না মেদল ৯ ফংদুনা মায় পাক্না য়ূমদা হল্লকখিবনি।

## ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শান্নখ্রে



ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি (নালসা) গী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটি ইম্ফাল ইষ্টনা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগা খূৎশম্নগা শীন্দুনা ঙসি ময়াইকোইবীদা লৈবা প্লে ৭ টর্ফ গ্রাউন্দদা ফ্রেন্দলি মেটচ অমা পাঙথোকখ্রে।

## এম এম এগী গোল্ড মেদলিষ্ট সুরবালা তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
নেদরলেন্দসগী কোনুং অমষ্টর্দামদা হন্দক্তা পাঙথোকখিবা গ্লোবেল এসোসিএসন ওফ মিক্স মার্সিএল আর্টস (গামা) ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা গোল্ড মেদল ফংলকখ্রবা খাঙবোক পার্ট-১ শোরোক ৱাংমদগী লাইশ্রম চন্দ্র অমদি অনিতা অনীগী মচানুপী সুরবালা লাইশ্রমবু ঙসি সেলিন দিজিটেল কৈশামথোংনা ময়ূমদা চৎতুনা ইকাই খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরমগী মনুং চন্না সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লানাজিৎনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি পীকচরবসু শান্নবগী লম্দা মালেমদা হেন্না শক তাকপা ওইনা সুরবালানা ইন্দিয়াগী এম এম এগী অহানবা গোল্ড মেদল অমা ফংলকপা ঙম্বা অসি ঐখোয়না তরাইনা লৌফম থোক্তে। মহাক্না ২০১০দগী হৌদুনা এম এম এ শান্নরকপগী মহয় ঙসিদি য়াল্লে হায়বা য়াই হায়খি।

থৌরম অদুদা চীফ এদভাইজর কিরনকুমার নিংথৌজা অমদি সেলিন দিজিটেলগী আর ও, এস ঐচ শান্তা অনীনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা সেলিন দিজিটেলগী মায়কৈদগী সুরবালাদা অচম্বা খূদোলপোৎশিং খূৎশিন্নখি।

## পি ভি সিন্ধু কোরিয়া ওপনগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

সনচিওন, এপ্রিল ০৭ (এজেন্সী):
ইন্দিয়াগী টোপ শট্টলর পি ভি সিন্ধুনা জপানগী অয়া ওহোরিবু চত্থরিবা কোরিয়া ওপন সুপর ৫০০ বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।



ওলিম্পিক্সতা অনীরক মেদল ফংলকখ্রবা ৱর্ল্ড নম্বর ৭ সিন্ধুনা জপানগী ৱর্ল্ড নম্বর ২৬ ওহোরিবু ষ্ট্রেট সেট ২-০দা মায়থীবা পীখি। অহানবা সেটকী শান্নবদা সিন্ধুনা পোইন্ট ২১-১৫ অদুগা অনীশুবা সেটকী শান্নবদা পোইন্ট ২১-১০দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

ইন্দিয়াগী থর্দ সিদেদ সিন্ধুনা মমাং থাদা পাঙথোকখিবা স্বিস ওপনগী ফাইনেলদা মায়থীবা পীরমখিবা থাইলেন্দগী বুসানন ওংবমরুংফানগা ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

অমরোমদা, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় অনী লক্ষ্য সেন অমদি মালভিকা বনসুদ অনীনা মখোয়গী ঙসি শান্নখিবা সেকেন্দ রাউন্দ মেটচশিংদা মায়থীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

# খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেমদা শরুক য়াগদবা এম য়ুগী শান্নরোয় অমদি ওফিসলশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচএনএস):
মিনিষ্ট্রি ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস, স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া ন্যু দেল্লি অমদি এসোসিএসন ওফ ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিন্যু দেল্লিগী লমজিং মখাদা কর্নাটাকাগী বেঙ্গলুরুদা লৈবা জেন য়ুনিভর্সিটিদা থা অসিগী ২৩দগী মে ৩ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা অনীশুবা খেলো ইন্দিয়া য়ুনিভর্সিটি গেম ২০২২গী তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টশিংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি রিপ্রজেন্ট তৌদুনা শরুক য়াগদবা শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।

খনগৎলবা ওফিসলশিং অদুদি মণিপুর কোলেজগী এসোসিএট প্রো. ডা. কেঐচজয়চন্দ্রনা য়ুনিভর্সিটি কন্টিঞ্জেন্ট মেনেজর, দিপার্টমেন্ট ওফ য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টসকী এল থোইমনিনা এথলেটিক্স নুপীগী মেনেজর কম কোচ, সাই এন ঈ আর সী ইম্ফালগী এল গুনিতানা আর্চরি নুপীগী মেনেজর কম কোচ, সাই এন আর সীগী চীঙ্খেঙানবী হুইরেমনা জুদো নুপাগী মেনেজর কম কোচ, সাই এন ঈ আর সীগী এল রাদিয়ানা বোক্সিং নুপা অমদি নুপীগী মেনেজর কম কোচ, এম য়ুগী সেক্সন ওফিসর স্পোর্টস হাওবম যাদবচন্দ্রনা ফেন্সিং নুপাগী মেনেজর অমদি এম পি এস সীগী ঐচ মংলেম্বা মৈতৈনা কোচ অদুগা ফেন্সিং নুপীগীদা মণিপুর ফেন্সিং এসোসিএসনগী ঐচ লৈমরেম্বীনা মেনেজর অমদি এন আই এস ফেন্সিং কোচ ঐচ রোশননা কোচ ওইনা শরুক য়াগনি।

খনগৎলবা শান্নরোয়শিং অদুদি এথলেটিক্স ইভেন্টকী নুপীগী মিটর ৮০০ অমদি ১৫০০গী লমজেলগী ওইনা বিরমঙ্গোল কোলেজগী ঐচ ভুমেশ্বরী, আর্চরি নুপীগী কমপাউন্দগী বিরমঙ্গোল কোলেজগী এম রুপন, জুদো নুপীগী কেজি ৭০ মথক্কী কাঙলূপ্তা প্রভাবতি কোলেজগী কে ঐচ বিদ্যারানী, বোক্সিং নুপীগী কেজি ৫৭কী কাঙলূপ্তা কে পি কোলেজগী সনাথোই হেমাম অদুগা নুপাগী কেজি ৫৪গী কাঙলূপ্তা বিরমঙ্গোল কোলেজগী এল রোহিটনি।

ফেন্সিংগী নুপীগী ইপি ইন্দিভিজ্যুএলদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী লিন্থোই হাওবম, ফোইল ইন্দিভিজ্যুএলদা বিরমঙ্গোল কোলেজগী পি ঐচ অনিতা, সেভর ইন্দিভিজ্যুএলদা মণিপুর কোলেজগী এল অম্বিকা, ইপি টিমগী ওইনা লিন্থোই হাওবম, এস চীঙ্খেঙানবী, এন পিঙ্কি অমদি কে নোনিতা অদুগা ফোইল টিমগী ওইনা পি ঐচ অনিতা, এন মিনা, জি প্রিয়ালক্ষ্মী অমদি খুশবুরানী লাইশ্রমনি। সেভর টিম নুপাগীদা চীঙ্খেহুনবা, এস চীঙ্খেঙানবা, এল চীঙ্খেঙানবা অমদি কে ঐচ তোম্পোকনি।

## ট্রায়ল সেলেক্সন পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
কর্নাটাকাদা চহী অসিগী মে ১৯দগী ২৭ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা সব-জুনিয়র গর্লস অমদি বোইজ নেসনল বোক্সিং চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ানবা ট্রায়ল সেলেক্সন অমা থা অসিগী ১৭কী নুংথিল পুং ১দা খুমন লম্পাক বোক্সিং এরেনাদা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর এমেচর বোক্সিং এসোসিএসননা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অমরোমদা, কমনৱেল্থ গেমস অমদি এসিয়ন গেমসকী য়েংলগা পঞ্জাবকী পটিয়ালাদা থা অসিগী ২৫দগী ২৮ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনল সেলেক্সন ট্রায়লদা শরুক য়ানবা ষ্টেটকী ইলাইট নুপাগী ট্রায়ল সেলেক্সন থা অসিগী ১৮গী নুংথিল পুং ১দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

মখা তাবা অকুপ্পা মরোলগীদমক মাবাগী ওফিসতগী লাক্লগা খঙলবা য়াগনি।

## ইম্ফাল ইষ্ট সুব্রোটো ফুটবোল

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
দিষ্ট্রিক্ট য়ুঠ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট অসিগী ওইবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচাগী অমদি চহী ১৭ মখাগী নুপা অমদি নুপীগী ওইবা দিষ্ট্রিক্ট লেভেল সুব্রোটো মুখর্জী ফুটবোল টুর্নামেন্ট চহী অসিগী মে ২দগী ৬ ফাওবা পাঙথোক্লগনি হায়না প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।


টুর্নামেন্ট অসিগী ফোর্ম থাজিনবগী অরোইবা মতম্না থা অসিগী ২৫ ফাওবনি। অদুগা মেদিকেল চ্যেক অপনা থা অসিগী ২৬কী অয়ূক পুং ৭তা পাঙথোক্কনি হায়রি।

## ষ্টেট পোলো টুর্নামেন্টকী সেমীফাইনেল ঙসি শান্নরগনি

ইম্ফাল, এপ্রিল ০৭ (ঐচ এন এস):
ওল মণিপুর পোলো এসোসিএসননা শীন্দুনা ইরোইশেম্বা পোলো গ্রাউন্দদা চত্থরকপা ৩৭শুবা মেন্স ষ্টেট লেভেল পোলো টুর্নামেন্টকী মেটচশিং নোং-চীংগী ফীভম্না শান্নদনা লাকখিবা অদু থা অসিগী ৮দগী হৌনা শান্নরগনি।

থা অসিগী ৮গী নুংথিল পুং ২দা মণিপুর পুলিস-বি অমদি মণিপুর পুলিস-সী অনীনা অহানবা সেমীফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি। অদুগা নুমিৎ অসিমক্কী নুংথিল পুং ৩দা অনীশুবা সেমীফাইনেলদা এক্স পোলো ক্লব অমদি চীঙ্খেহুনবা পোলো ক্লব-এ অনীনা লম্বা তৌনরগনি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 419**

**Bertok, Mario (2425) - Kovacevic, Vlatko (2495)**

**Virovitica (8), 1977**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d5 | 2.c4 dxc4 | 3.Nf3 Nf6 | 4.e3 Bg4 |
| 5.Bxc4 e6 | 6.h3 Bh5 | 7.Nc3 a6 | 8.Be2 Nc6 |
| 9.O-O Bd6 | 10.b3 O-O | 11.Bb2 Qe8 | 12.Nd2Bxe2 |
| 13.Qxe2 e5 | 14.d5 Ne7 | 15.e4 Ng6 | 16.g3 Qd7 |
| 17.Kg2 Ne8 | 18.Nc4 f5 | 19.exf5 Rxf5 | 20.Ne4 Be7 |
| 21.Rad1 Nf6 | 22.Nxf6+ Bxf6 | 23.Qg4 Rd8 | 24.Ne3 Rg5 |
| 25.Qxd7 Rxd7 | 26.Kh2 Ne7 | 27.h4 Rh5 | 28.Kh3 Kf7 |
| 29.Kg4 g6 | 30.f3 Bg7 | 31.Kh3 g5 | 32.Kg4 Kg6 |
| 33.hxg5 Rh2 | 34.Bc1... | | |

**QUESTION :**

**Black to win**

**Puzzle 418 Ans. :**

43. Ng6+ The white knight moves out of the pin by Black's queen against White's queen. Kh7 44. Nf8+ Double check Kh8 45. Qh7+ Nxh7 46. Ng6# Smothered mate
1-0


ꯇꯦꯟꯗꯔ ꯅꯣꯇꯤꯁ
Tender Notice No. 53 (A)/VEH/TEN/2022-RIMS
Dt. 05/04/2022

Regional Institute of Medical Sciences, Imphal invited e-tender for Hiring of Vehicles. For more details, visit www.eprocure.gov.in & www.rims.edu.in

Sd/-
DDA, RIMS Imphal

HL-B/7591/8

S3 COACHING CENTRE
(STEP TO SURE SUCCESS)
NAGAMAPAL RIMS ROAD CORNER
ADMISSION OPEN FOR BOTH CBSE & BOSEM FOUNDATION COURSE
CLASSES: VI to X, XI & XII (Sciences)
Subjects offered are:
For Class VI to VIII – All subjects
For Class IX & X – Maths, Science, Social Science & English (MM as per condition)
For Class XI & XII – Maths, Physics, Chemistry & Biology (Eng. & MM as per condition)
Hurry Limited Seats!!
CLASS COMMENCING SOON UNDER PROPER SOP
Special Features are:
1. Regular Test
2. Perfect Student's help notes and Q & A
3. Well known Guest Facilities
4. Practical teaching method
5. Van Services
6. Hostel for Boys & Girls
Duration of Course IX & X – 5 Months XI & XII – 6 Months
Class Timing: Morning: 5:00 am to 7:30 am Evening: 4:00 pm to 7:00 pm
* Home Tuition available for classes VI to XII
*Special reference for weak students and 1 month free classes on previous year.
For more details Please Contact: 9089770462 / 9362333195
HL-P/2135/1-30/4 (alt)



HL-P/1789/28/3-29/4(alt)

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, KAKCHING**

**Ref: Mutation Case No. 29/SDC/K Dt. 06/04/2022**

Kshetrimayum Kunjalata Devi W/o Moirangthem Kesho Singh of Kakching Wairi Kamala Pareng. - Petitioner
-Vs-
(Late) Moirangthem Ibochouba Singh S/o (Late) Moirangthem Gouramadhop Singh of Kakching Wairi Senapati Leikai. - O.P.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Kakching, the 6th April, 2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহঞ্জরি, মদুদি খুল নং: ৬৪-মান্তক অনৌবা পাট্টা নং: ২২১/৫৩৩গী দাগ নং: ৩২২৭গী লম একর .৯৪ চাওবা তাওথবী লৌফম অসিগী পাট্টাদার অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কল্লগা উক্তা দংকারিগী মিংদা নামা পাবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈননা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং ১৩/৪/২০২২ ইংগী অয়ূক পুং ১১.৩০ ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা ৱাকৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌজরোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থগনি।

**Sd/- S. Dinesh**
Sub-Deputy Collector, Kakching
HL-P/2034/8

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR, WAIKHONG**

**Ref. Mutation Case No. 48/SDC/(WKG) of 2022**
**date 06/04/2022**

App :- T. Lamkang S/o L.V. Rengtong of Keithelmanbi Village.
-Vs-
Opp :- Late Tijani Chothe S/o (L) Laphoijao Chothe of Chandropodo.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dated, 07/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি ৱাইখোং তাহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং 76- Waikhong Leimanai পাট্টা নং 245 (O) / 177 (N) দাগ নং 2048 এরিয়া 1.25 একর চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে, মরম অদুনা দরখাষ্টকারিনা মমিংদা পাট্টা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অহৈবা চেনা ৱায়েৎচে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চত্থজগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Waikhong
HL-P/2200/8

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 75/SDC/P/2022**

Salam Ahanjao Singh S/o (L) Ningthemhal Singh of Yurembam Makha Leikai. -Petitioner
-Vrs-
Late Salam Ningthemhal Singh S/o (L) Thongam Singh of Yurembam. -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The 4th April, 2022

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার সলাম নিংথেমহল সিংহ, পীং মৃ: থোংঙম সিংহ সাং য়ুরেম্বমগী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিল খুল নং ৭৯-য়ুরেম্বমগী অনৌবা পাট্টা নং ৫৩১, দাগ নং ১২১৫ অমসুং এরিয়া .০৭ একর চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/2036/8

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR: PATSOI, IMPHAL WEST DISTRICT, MANIPUR**

**Ref. Mut. Case No. 83/SDC/P/2022**

Chongtham Basanta Singh S/o (L) Ch. Tomba Singh of Patsoi, Part-II Awang Leikai. -Petitioner
-Vrs-
Late Chongtham (O) Mema Devi W/o (L) Tomba Singh of Patsoi Part-II -O.P. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
The 6th April, 2022

U/S 46(3) MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃ: পাট্টাদার চোংথাম ওংবী মেমা দেবী, পতি মৃ: তোম্বা সিংহ, সাং পাৎসোই পার্ট-২গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিল খুল নং ৮০-পাৎসোইগী অনৌবা পাট্টা নং ১৩৩, দাগ নং ২৩৮২ অমসুং এরিয়া .৬৪ একর চাওবা অঙনফৌ লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমীৎ ৭নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,**
Imphal West, Patsoi
HL-P/2036/8

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei, Resident Editor: Dr. Khaidem Athouba; Telephone Nos. 0385-2440771/2445104/2445106, e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com